ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, জন্যুৱারী ১০, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৭৯শুবা মশীং

# থবক্কী মেলা
## তোয়না পাঙথোকউ, ৱাহন্থোক লৈহল্লু

মণিপুরদা মেলা কয়া পাঙথোকই। মেলাগী মখলসু য়াম্না য়াম্মী। য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না শিন্দুনা পাঙথোকপসু য়াওই। লন্নাই অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপসু য়াওই। অকক্নবা মফম অমসুং মতমগী ৱা থমদনা পাঙথোক্নরক্লি। অদুগা হায়রিবা মেলাশিং অসি পাঙথোরকপদা শিল্লি-লাংলিবশিং খক্তা নত্তনা মসিবু হকথেংননা য়েংলিবা মীয়ামদসু কান্নহল্লি। অদুবু হৌখিবা চহী ২০২২গী দিসেম্বর ২৮দা মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ এমপ্লোইমেন্টনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী দিরেক্টর জেনরেল ওফ এমপ্লোয়মেন্ট একচেঞ্জগা খূৎশম্নদুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থবক্কী মেলা (জোব ফ্যের) অদুমক্তি চুম্না ফবখক্তা নত্তনা খ্বাইদগী অফবা মখলগী মেলানি হায়নীংই। পাঙথোকখ্রিবা মেলা অদুনা মণিপুরগী লাইরিক হৈরবা থবক থিরিবা মীওই পূম্নমক্তা মখোয় মশা-মশাগা চানবা থবক পীবা/ফংহনবা ঙমদ্রবসু থবক হায়বসি করিনো? করি করিবুনো? থবক্কী মখলশিংনা করিনো? লৈঙাক্কী মনুংদসু ষ্টেটকী থবকশিংনা করিনো? য়ুনিয়নগীনা করিনো অমসুং থবক তৌরিবা অমসুং পীবা ঙম্বা কম্পেনিশিংনা কয়ামুক লৈবগে হায়বা ফাওবদি খঙহৌনবগী তাঞ্জা অমা ফংগনি। লৈবাক অপূনবগী ওইনা অমসুং মণিপুরগী ওইনসু মীপূম খুদিংমক্তা লৈঙাক্কী থবকশিং লোইনা পীবদি ওইথোক্লোইদবনিনা কম্পেনি কয়াগী থবকশিংসু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। থবক্তা চিলহাও থিবা-থিদবগী ৱাফম ঙাক নত্তনা থবক খুদিংমক লৈঙাক্কীবু ওইরবসু নৎত্রগা কম্পেনিশিংগী ওইরবসু থেক-থেক্লা ইকায়খুম্নবা ফংদুনা তৌবা য়াবা থবক ময়াম লৈরি। সর্ভিস সিক্যুরিটিদগী হৌরগা লৈঙাক্লা মখোয়গী থৌমী/শিন্মীশিংদা পীবা খুদোংচাবশিং চপ-মান্ননা পীবা, থোইদোক-হেন্দোক্লা ফাওবা কান্নবা পীবা থবক কয়াসু লৈরি। পুন্সি হিংনবগী খক নত্তনা লেমজনীংঙাই ওইরবা থবকশিং লৈরি হায়বনি।

মরম অসিনা পাঙথোকখ্রিবা মেলা অদুমক শিল্লিবা কাঙবুগীসু মথৌ তাবা, অপাম্বা মীওইশিং ফংবা অমসুং থবক থিরিবশিংগীসু মশাগী অপাম্বা থবকশিং ফংবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবনি। মেলা মখলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অফবা/কান্নবা মেলানি হায়নীংই। অদুবু অসিগুম্বা মেলাসি মফম অমা খক্তদা পাঙথোকপগী মহুত্তা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তসু মথং-মথং পাঙথোকপা চুমগনি। চাং নাইনসু পাঙথোকপা কান্নগনি। মসিনা মেলা মফম অমদা লাক্তুনা শরুক য়াবা ঙমহৌদবশিংদা খুদোংচাবা পীগনি। অসিগুম্বা ফীভমসিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা মেলা মফমদা পাউ ফাওদোক্নরগা স্ক্রিনিং তৌরগা খুদক্তা এপোইন টমেন্ট পীবগী ওইথোকপা লৈরোইদবনা পীগদৌরিবা কাঙবুগা লৌগদৌরিবা মীওইশিংগগী মরক্তা থাজনবা চংই। থবক তৌহন্নবগীদমক পাঙথোকপা টেষ্ট/চাংয়েংগী রিজল্ট কুইনা নমশিনবা চুপ্লোই। কৌরিবা পোষ্টতুগী চান্নবা মীওইশিং খল্লগা মদুগী রিজল্ট য়ারিবমখৈ থুনা লাউথোক্কদবনি। মসিদা শেঞ্জা-থুমজা তৌরোইদবনি, মীচং-শঙ্গ নাইবগী মমি তাহল্লোইদবনি। পাঙথোক্কদবা রিক্রুটমেন্টকী থবক থৌরম পূম্নমক মনুং মপান ফাওনা উহন দুনা চত্থগদবনি। খল্লক্লবা মীওইশিংনসু মখোয়না তৌগদৌরিবা থবক্তুগা মখোয় মশাগা চুনবা-চানবদগী খল্লক্লিবনি হায়বগী ৱাখল পোকহনগদবনি। খল্লক্তবা মীওইশিংদসু মখোয়বু খল্লক্তবগী মরমশিং মশাদা খঙজহনগদবনি। হায়রিবা পূম্নমকসি নীংথিজনা অমসুং লৌথুপ লৌকোই লৈতনা পাঙথোক্লগদি থবক্কী মেলা তৌবা/পাঙথোকপগী চপ চাবা ৱাহন্থোক শোয়দনা ফংগনি। থবক তৌবীনবা মী লৌনীংলিবা সেন্ট্রেল/ষ্টেট লৈঙাকশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা কম্পেনি কয়ানসু অপাম্বা মীওইশিং ফংগনি। থবক থিরিবশিংনসু অপাম্বা থবকশিং লোইনমক ফংদ্রবসু তৌবা য়াবা থবকশিং করি করিনো হায়বদুদং ওইরবা ফাওবদা খঙহৌবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবনি। অসিগুম্বা মেলাসিদা শরুক য়ানীংবা কম্পেনি, এজেন্সী/বোদি/য়ুনিটশিংসু য়াওজসনু। অদুবু মরু ওইনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙ/বোর্দ/কোর্পোরেসননচিংবশিংগী মথৌ তারকপশিং য়েপশিন-থমজিনহৌদনা পূম্নমক তিংথোক্লগা থেন্দুনা থমগদবনি। থবক থিরিবা লাইরিক হৈরবা মীওইশিংদা 'ওপন টু ওল' ওইগদবনি। লোয়ননা লৌগদৌরিবা থবক পূম্নমক্কী মথৌ তাবা রুলস অমদি রেগ্যুলেসনশিং ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। ফোর্মেলিটি পূম্নমক ঙাক্লা চৎহনগদবনি। য়াম্না ফৈ, অফবা থবকনি। খরা তোয়না পাঙথোকপনা অমুক্কা হেন্না কান্নহনগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **"করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেঙ্লেনে/তখেল্লে শংব্রে লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্প থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **"ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"চীংনা ঐগী পন্থৌ তম্না ঐগী পলেম"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **"অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"মমি তাদ্রবা মী"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংলকপদা অমদি হৌজিক অরুনাচল প্রদেশ!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৫
**জিতেন নামৈরাকপম**

মফম : Hollongi (Arunachal Pradesh, District- Papum Pare)
মতম : অয়ূক্কী পুং ৫:০০
তারিখ : ০৯-০১-২০২৩

অহানবা মক্তদা নুংশিজরবা মরুপ ৱাহেংবম জোতিন, লৈফম্না হৈরাঙ্গোইথোং মখা কৈরুং ওইনাম লৈকায়, এ এস আই (নেসনল দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স) পু হঞ্জিন হঞ্জিন থাগৎচরি। মথংদা নুংশিজরবা ঐগী কজিন নামৈরাকপম বোবিমূরে (এন দি আর এফ) পুসু হেন্না হেন্না নুংশিরকই। ঐহাক্না ইরিবা আর্টিকল অসিসু অসামগা অরুনাচল প্রদেশকগী বোর্দর টাউন অসিদা ঙরাং, নহান অমদি হৌখ্রবা অরুনাচলগী পুন্সি মতেক খরগা খোমজিন তাশিল্লগা ইজবনি ৱারৌবীরোই।




অরুনাচল প্রদেশ ঐগী য়াম্না নুংশিজরবা, ঐগী পুন্সিগা থাগোন্নদুনা লাকখিবা মফম অমা ওইখি। খল্লু-খল্লুরগা হেন্না হেন্নদুম নুংশিরকই। মতম অদুদি য়াম্না কুইখ্রে হায়বসু য়াই। ঙসিদগী চহী ২০গুম্বগী মমাঙ ওইরমগদ্রা খঙ্গে। ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী নোংপোক-নোংচুপ ঐনা চৎখিবনি অসামগী অয়াম্বা মফম শিনবা থুংনা। অহানবা চৎখিবা নুমিৎ অদুদি ইম্ফালদগী নাগালেন্দগী দিমাপুর তম্না য়ৌশিনখি। দিমাপুরদগী ব্রহ্মপুত্রগী ৱাংমদা লৈবা শিব সাগর, জোরহাট, দিবুগ্রহ, তিনসুকিয়া চৎপা য়াবা, য়ৌবা য়াবা মফম য়ৌজরুরে। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিজবদি ঐগী ইপুবোককা হায়না য়াম্না কৌজনীংবা, ৱাহৈ লৈতোন য়াম্না থোৎন-থোৎনা ইবিরম্বা, হৈবোক চীংগী দৃশ, শিলোংগী জলপ্রপাৎ বারুনী কাবগী মতাংদা থৱায় য়াওনা পেঞ্জখি। মাধবীগী কবি ডা. লমাবম কমল, ইপুবোক্কুল্লবা মহাকপু মীৎমাঙদা শং শং উরকখি, দিব্রুগর য়ৌরবা মতমদা। মরমদি শক্লাইরবা কবি অসি দিব্রুগর মেদিকেল কোলেজদা মহৈ তম্লমখি হায়না তাজৈ। চুম্মীদ্রা, লাল্লিদ্রা, লানগদবদি মান্দে। কোলেজ অদুগী গেটতা নোংঙাল্লমদাইদা কবি ডা. কমলবু পূক্লিং পেন্না খুরুমজখি। মদুদগীদি কমদৌবগে হায়বদা ঐনা চৎকদবা মফমদি ব্রহ্মপুত্র তুরেল অদুসু ওন্থোক্লা পাকখ্রবা সমুদ্রগুম অশোম ৱাংমা উবা ফংদ্রবা! ফেরি হায়গদ্রা ষ্টিমর হায়গদ্রা ইঞ্জিন অচৌবা পানবা হি অদুদা থৌজিল্লি। জীপসি, কার, সাইকল অদুগা অৱাং পোৎশংবমদগী এস এস বিগী নুংশিজরবা ইনাও হায়বা তাই মমিংনা শ্যামকুমার! মানা ঐবু পুদুনা চৎপনি হায়বা য়াই। মরমদি ঐসে নিংথৌনি, নিংথৌকা হায়দনা ফাগি ওইনা হায়নীংলকই।

ৱাকাই ইজররোই। ডা. কমলনা তম্লম্বা অসামগী দিব্রুগরদা লৈবা মেদিকেল কোলেজ অদু উজরবা মতুংদা পাক চাওখ্রবা ব্রহ্মপুত্র তুরেল লান্দুনা সিলাফর ঘাট অদু য়ৌবদা পুং অমরোম চঙখি। য়াম্না নুংঙাই, য়াম্না নুংঙাইখি। অদুদগী য়ৌরে লীকাবলী, অরুনাচল চঙফমগী ত্রাঞ্জিৎ পোষ্ট হায়গদ্রা, পোইন্ট হায়গদ্রা অদুনি। অদুগা চঙলে আই এল পি পায়দ্রগদি চঙবা য়াদবা মফম, লমদম অদুদা। কোইরুরে, য়েংলুরে বাসার, পশিঘাট, অসোমদসু চঙলুই। এলোং, ফিল্ম নম্ফম (কোইলা) টৱাং, মখা তারকপদা ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ৱাংমদা লৈবা মক্তনি, ধিমাজি, লক্ষিম্পুর লানশিল্লক্তুনা য়ৌরুই বন্দরদেৱা গেট লানশিন্দুনা ইটানগর। ইটানগর পল্লকপদা নহারলগুন কাউবা য়াররোই। নহারলগুন্দা লৈবা জৱাহরলাল নেহরুগী মীং থোনবা মাল্লি, মফম অদুদা সোক্কর, ফুটবোল হায়গদ্রা মদুসু কাউরকখি।

পুন্সি হায়বসিদি জাৎ জাৎ হায়নবদুনি। কয়াদি নুংঙাইরে নহানদো। অর্টিকল অসি ইবদা পঞ্জখিবা নুংশিজরবা মীওই অনী অদুনা ঐগা অমুক হন্না চৎমিন্নরে। অরুনাচল প্রদেশতা। ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১১০ রোম লাপ্পা মাও ফাওবগী লম্বীদুদি পঞ্জররোই। পুরা উজার মেলানি। মতম অমদা নাগালেন্দসু কোইলা থানা থারগা চৎপা নুংঙাইরম্বনি। হৌজিক্তি ফজ হৌরে। কোহিমা য়ৌদ্রি ফাওবদি গাড়ী তোংবদা খপ্পী। অসামসু মঙাই লম্বীদু পুং ৩/৪ থৌরগসু নাকল নাকলদা লাইটকা থাল্লদনা ওন্থোক্লা ফজ খ্রে। কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক শামু গণ্ডা মচি নাম্মা পানবদো, অদুগী পার্ক অদুগী মফম অদুদি ওন্থোক্লা নালহৌই। জখলাবনধা য়ৌরে, দিন্নর লৌখৎলে। টেজপুরগী ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী মথক্তা শাবা পাঞ্চ মাইল হায়ব্রা, কৈনোমদি হায়বনি। মদু লাম্থোক্লবা মতুংদা অরুনাচল প্রদেশ তম্না থৌথৈ। অসুম অসুম লাকপনা নোংঙাল্লমদাই পুং অহুমগা হেল্লকপা মতমদা নুংশিরবা ঐগী মরুপ হায়বা তাই ৱাহেংবম জোতিননা থৌবা মহাক্কী কার অদু খাম্লগা Rajvi Hotel, NH 15, Borgong line Bazar দা বেদ টিগী মওংদা চা থকমিন্নরগা অরুনাচল প্রদেশ তম্না কাপথরকখি।

ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি। নেচরেল রিসোর্স অদুক্কী মতিক লৈবা অসামগী লম্বী থোংগী ফীভমদি ব্রহ্মপুত্র অসোমগী ৱাংমা লাল্লগা অমুক্তং য়েংবীয়ু থেংনবীগনি কোইলা থাদবা, জর্কিং, পোট হোল কয়া কয়া, অদুগীসু মথক্তা উফুলগী উফুল মক্তা। মতাং অসিদা খা-ইম্ফাল হায় স্কুলগী জিওগ্রাফি ওজা জয়না হায়খিবা ৱাহৈ খরা নীংশিংলকই। "নহোয় লৈকায়গী লৈরক্কী লম্বীদুদি সাইকল থৌবদা খজাই নীকই"। মসিমক অসামগী টেজপুর থোং লাল্লবা মতুংদা বোর্দর Hollongi (Papum Pare) Licence No. Ex-54/96 Bar অমদা ঙাইহাক পোত্থাজখি। য়ুঙাংগী ৱাদি ওপারনি। পাবিরিবশিংনা ৱারৌবীরোই খঙ্গে। তৌবতবু ইজখিবা আর্টিকল অসি ৱাটসএপকী খূত্থাংদা থাজখিবনি। হৌজিকমক অরুনাচল প্রদেশতা লৈজরি। পূম্নমকপু অনৌবা চহী লাকপগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি! - ১০০

ৱাখল ইহুল
**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

**সনামহী লাইকন কৌবা অরিবা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি -**

**'লোইদাম লাংবন থাদা খল্লাং পাপনলোন অকেম্বা ইরেং পুপানলোনঅমনবশিংগী, লুকলেন পূম্না শেম্না তরা চাক্লুক কৎপগী, মহুৎ ওয়না শিনবদি পিতুলুক ইরাৎ থৌনি শিন্নেয়ে।"**

মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম অনীদি লৈগনি। মখোয়শিংদুদি -(i) মথক্তসু হায়খ্রে, য়েক্কা-গোত্রগা মশা অমত্তনি, মমিং হোংদোকপা খক্তনি। খুদম ওইনা, মঙাং/নিংথৌজা য়েকপু শান্তিল্য গোত্র; লুৱাং য়েকপু কাশ্যপ; অঙোমবু কৌশিক, খুমনবু মৌদগ্য/মধুগৈল্য অসিনচিংবা। অদুনা মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তগী য়েকপু গোত্রদা ওন্থোকপখক্তনিনা লৈখিদ্রবা অহল লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংনা ফংনবা মপুগী মফমদা কৎচবদু শোয়দনা ফংই হায়না থাজনবী অমদা লৌবা য়াই। হায়রিবসিনা য়েক্কীদা ওইনা কৎপগী ৱানি।

(ii) য়েক্কা গোত্রগা মান্নরগসু খেন্নবা অমদি গোত্র ওইরগনা ময়াং মখোয়গী মপা মপুশিংদা কৎপা খরা থেংনা ইপা ইপুশিংনা ফংই হায়না থাজনবী অমদা লৌবা য়াই। খুদম ওইনা, চাবা য়াবা পোৎশক খরা অতোপ্পা মী অমগী খূত্থাংদা পীবদা, পোৎতুদগী নঙগীসু খরা লৌহৌরগা অরেম্বদুনা পোৎ ফংহন্নিংলিবা হায়বদি ইপা-ইপুশিংদুদা খরা থেংথনা-খূৎথাংদা ফংহনবা অদুগুমবনি হায়না লৌবা য়াই।

অদুনা য়ারিবমখৈ ইনাৎকীদা ওইনা হায়বদি মীগী খূত্থাং য়াওদনা/হকথেংননা কৎলগা ফংবা য়াবা মওংদা তৌবনা হেন্না ফৈ। শম্না হায়রবদা মিদলমেন ওইবগুম্বা মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন অমত্তগী মথৌ তাদে।

মথংদনা, মবুধৌ পামহৈবনা হৌদোকপদা য়াম্না ৱানা কাং খোং চাইনা মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) কংলৈপাক/মণিপুর হায়না হৌজিক ফাওবা লৈরিবা লমদমসিগী মমিংবু ওন্থোক্লা কৌরবা/থোল্লবা মতুংদগী মীরম লাইনীং লীচৎ নম্ফু হাফুদা কনখৎহল্লক্লবা মতুংদনা মশু ইবুংঙো মৈদিংঙু চীংথং খোম্ববু ময়াং মচাশিংনা থোনবা মমিংশিং - জয় সিংহ/কার্ত্তা/রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র অসিনচিংবা কৌনা 'মুকশন' মীরম লাইনীং লাইশোন শেমগৎলকখিবগী মতাংদা মমাঙদা কয়ারক মতাং মতাংগী ওইনা ইজখ্রবনা মতম অমুক মাঙহঞ্জররোই, ৱারৌবীগনু।

মীরম লাইনীং লীচৎ পামজবশিংনা মীরমগী মমিং পংথোন থোনজিনবদা হৈশিংবা :-

মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন লমদমসিদা চঙলক্লবা মতুংদা মখোয়শিংনা তৌশিনবশিংদি লম, চীং, পাৎ, তুরেল অমদি লাইফমলেন হান্নদগী লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবশিংবু মীরম মখোয়গী লাইনীং লাইশোনগা চানহন্নবা মমিংশিং ওন্থোক্লা থোনজিনবমক্তনি। শম্না, মমিং ওন্থোক্লা থোনবদা হৈশিংবা মীশিংগী মুকসন লাইনীংনি হায়বফাও য়াই। মতম মাঙনবনি, খুদম খরদং ওইনা পঞ্জরবদা - মোংবহনবা উমংলেনবু মহাবলি; হিয়াংথাং লাইরেম্বীবু দুর্গা/কামাখ্য; লম্মাংদোংবু বিষ্ণুপুর; শেল্লোই লংমাইচীং/নোংমাইচীংবু বারুনি চীং; শান্তিদাস গোসাইদা পীবনি হায়বা পাৎপু গুরুপাৎ; কাইনৌ চীংশোম্বগী মমিংদগী থোনবা কাইনা চীংবু ভাম্মুখ চীং অসিনচিংবা কয়া কয়ানি। মসিনা তাকপদি মীরম মখোয়গীদা লৈজবা মমিংশিংদুগা চান চানবা/চুশিন্নগদবা খল্লগা/য়েংলগা মীরমগী অখঙ অহৈশিংনা লমদমসিদসু মমিংশিং পংথোন থোনজিনসি হায়বদা লমদমসিদা পানখিবা মীরম লাইনীং লাইশোন পামজখিবা মৈদিংঙু খরনসু পঙয়া য়াখিবা (শিংনা/অচুম চুমদা খল্লগা নত্তবীদা) অদুদা অমুক য়েৎলুবগী মঙম লৈখিদবদগী মীচম মীয়াম খরনা তুং পঙইন ইনখিবদগী ওইরকখিবমক্তনি হায়বসি মীরম লাইনীং লীচৎ পামজবা মখোয় মশানা ফোঙদোকচরকপা মতিক চারবা ৱাফমশিং অইবনা মতাং চানা চানা মথক্তা পঞ্জখ্রে/থমজখ্রে। হৌজিক্তি পংথা থাজবগী মতমদু নৎত্রে। মখল মখা কয়াগী থিজিন লৌশিং (সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি) গী মতম ওইবনিনা অচুম-চুমদা/অফ-ফত্ত ইশা ইশানা লেপ্লিবা/খঙবীবা মতম ফজনা ওইরবনি। মসিগা মরী লৈনবা ৱাফম খরা মখাদা অমুক থমজরি।

বেষনাম 'দাস/দাসী' হায়না ইস্কোন্দা তৌরিবসি নত্তবা মওংদা তৌরিবসিদি চুমদে হায়না লৌফম থোক্লোইদ্রা?

হিন্দু লাইনীং লীচৎকী মনুং চনবা মক্ত ওইবদা 'দাস/দাসী' হায়না বেষনাম পীবা/লৌবা ইস্কোন্দা তৌরিবসিদি লৌগদবা মখোয় মশাশিং হিংলিঙৈদা ৱাখল তানা, মশানা অফ-ফত্ত খঙনা পামজনা লৌবগা; শিরবা মতুংদা হায়বদি উকক/ৱাকক/লফু মকক/নূঙ/লৈপাক মতুমগুম্বগা পাঞ্জক্লরবা শিরবা মীওই অমদা মুকসন হিন্দু লাইনীং লাইশোনগী চৎনবীনি হায়দুনা 'দাস/দাসী' হায়না বেষনাম পীরবনি হায়না তৌশিল্লিবা - থৌওং অনীসিগী মরক্তা করম্বনা হেন্না চুমগদবা মানবদা খুন্নাইসিনা য়ানীংগদগে হায়বসি খন্থহঞ্জনীংই হায়না থমজগে।

ইস্কোনগীদা মশা হিংলিঙৈদা পীবা/লৌবা বেষনাম 'দাস/দাসী' হায়বসি করিগুম্বা মশা শিরবা মতুংদা অতোপ্পা বেষনাম অমা লৌবগী মথৌ তারমলোই খঙ্গে। অহানবা পিরমদাই/লৌরমদাইদা মীশক্তুগী মরমদসু লাইনীংগা মরী লৈনবা চৎন-কাঙলোন কয়াসু শোয়দনা ঙাক্লবা হায়রমগদবা মাল্লি। সাইন্টিফিক ওইবা থৌওং ওইবনিনা ইস্কোনগীসিদি খুন্নাইনা য়ানীংগনি খল্লি।

মুকসন হিন্দু লাইনীং লাইশোনগীদা চৎনবীনি হায়দুনা নুপা অমা/নুপী অমা শিরবা মতুংদা বেষনাম 'এক্স দাস/ৱাই দাসী' হায়না পীশিল্লিবনি হায়না তৌরিবসিদি সাইন্টিফিক ওইদবনা ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্বা কনামত্তনা য়ানীংগনি থাজদে। হিংলিঙৈ মতমদা শা-ঙা, চিঞ্জাক ফাওবা চাবা/থকপা লমচৎ ফত্তবা চৎখিবদুনা মশা শিরবা মতুংদা বেষ ওল্লগা লম্বোইবা/লম্বোইবি ওইহল্লে হায়বসি মশা মশা খঙলমগনি হায়না করম্না লৌগনি। মতাং অসিদা খুদম অনীখক্তং খন্নদুনা য়েংমিন্নসি। তূম্বা হায়বসি শিবা তম্বনি হায়নরিবনি। ফজনা ঙাঙন শক্ল য়ারবা চহী ৭-১০গী মনুংদা লৈবা নুপামচা/নুপীমচা অমা তূম্লিঙৈদা হান্না মশাগী কৌবা মমিংদুগী মথক্তা অতোপ্পা মমিং 'এক্স দাস/ৱাই দাসী' হায়না থোল্লে খনবসি নুপামচা/নুপীমচাদুনা তূম্বা হৌগৎলক্লবা মতমদা 'এক্স দাস/ৱাই দাসী' হায়না মশা মশাদুদা কৌবদা তূম্লিঙৈদা করিসু খঙদবনা কৌবদা খুম্লক্লোই। তূম্লিঙৈদা নখোয়গী নমিংশিং "এক্স দাস/ৱাই দাসী" থোল্লবনি হায়বদসু য়ানীংলোই। মসিগা চপ মান্নবা মওংদা অঙাং খরা ওইরিবা/ওইরবী চহী ৫-৬ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংনা ফজনা তূম্লিঙৈদা "এক্স দাস/ৱাই দাসী" হায়না থোল্লে হায়না লৌবসি হোরেল তূম্লুবদগী হৌগৎলক্লবা মতমদা "এক্স দাস/ৱাই দাসী" হায়না কৌবদা অঙাংশিংদু পুংঙক ঙক্কনি। মখোয়গী নমিংশিং "এক্স দাস/ৱাই দাসী" কৌরবনি/থোল্লবনি হায়বদা মখোয় খুম্লক্লোই/য়ারক্লোই। "এক্স দাস/ৱাই দাসী" হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন কৌবদা ঐখোয়গী মিংশিং অদু কৌদে/নৎতে হায়দুনা শাওরক্কনি কপ্পক্কনি। মথক্তা হায়খিবশিংসি অদোম অদোমগী ইমুংশিংগী অঙাংশিং লৈরবদি অশেংবা চাংয়েং তৌবীয়ু। থমজনীংলিবা ৱাফমদি 'অচুম্বা হায়বসিদি মফম মতম লৈতে, অদুম চুমদুনতা লৈগনি।" মরম অদুনা হিন্দু লাইনীং লিচৎমক্তদা ইস্কোনগীদা বেষনাম পীবা/লৌবগী চৎনবী নত্তনা মুকশনগীদা বেষনাম পীবগী মওংসিদি সাইন্টিফিক শুকওই ওইদবনা তৌনরিবা থৌওং/কাঙলোনসি ৱাহন্থোক লৈতে হায়না লৌফম থোক্তব্রা হায়না থমজগে।

নমু তাইবঙ মী অমা শিখ্রবা মতুংদা মাগীদমক মচা-মশু/মরী-মতাশিংনা কৎপা পোৎ মাগী থৱায় মিরেলনা লৌই হায়না খল্লবদি করম করম্বশিংবু লৌফম থোকই/লৌগনি? ●